# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং খুন্নাইসিগী মরাইবক

**আর কে খুমন**

রসিয়াদা থোকখিবা অচৌবা রেভল্যুসন অনীমক্তা মহৈরোয় অমসুং একাদেমিক কম্ম্যুনিটিনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌখি। ১৯০৫ অমসুং ১৯১৭তা থোকখিবা রসিয়ন রেভল্যুসনদা খুন্নাইগী মাস প্রোটেষ্টকা শাগোন্নবা ঈহৌ কয়া শাগৎপা ঙমখি। য়ুনিভর্সিটিনা মহৈরোয়শিংগী খোঙদাফম, ৱাখল তাফম ওইনা মালেমদতা নৎতনা মণিপুরদসু ফীভম অসিমক থোক্তুনা লাকই হায়বসি কক্লিংঙাই লৈতে। অদুম ওইনমক ইরমদম মণিপুরদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় অমদি ওজাশিংনা করম্বা মওংদা হোংলক্লি হায়বসিমদি নৈননিংঙাই ওই। মালেমগী পুৱারীগী তাঙ্কক য়েংলুরবদি, মহৈরোয় অমদি ওজাশিংনা য়ুনিভর্সিটিদা লৌরিবা থৌদাং অসি হায়নিংঙাই লৈতনা শীংথানিংঙাইনি। ১৮৮৭তা লেনিনগী ময়াম্ববু হাৎখ্রবা মতুংদা কজান ইম্পরিএল য়ুনিভর্সিটিদগী লেনিনবু তান্থোরকখি। লেনিনগী ময়াম্বা অলেকসেন্দর উলিয়ানোভ সেন্ট পিটরসবর্গ য়ুনিভর্সিটিদা জ লোজিগী মহৈরোয়নি। মহাক লৈঙাক্কী মায়োক্তা পম্পলেট ইবা, লান হৌবগী অমসুং পব্লিক লেকচর পীবগীদমক শিবগী চৈরাক ফংখি। রসিয়নগী জার লৈঙাক্লা য়ুনিভর্সিটিদা তম্বা মহৈরোয়শিংবু ব্যুরোক্রেসিদা থাজিন্নবা কন্না হোৎনখি। মতম অদুগী য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিংনা য়ুনিভর্সিটি হায়বসি ইন্দিপেন্দেন্ট রিসর্চ তৌফম ওইনা থমগদবনি হায়না ফিরেপ অমা লৌদুনা লাউথোকখি। রসিয়াগী রোমানোভ দাইনাষ্টিগী মায়োক্তা লেপখিবা ঈহৌদা মহৈরোয়শিংদগী তোখায়না লৈনবগীদমক 'একাদেমিক ন্যুট্রেলিটি'গী খোল্লাউ লাউরবসু, ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংগী ঈহৌনা য়ুনিভর্সিটি অমগী তশেংবা শক্তম অদুবুদি শেমগৎপা ঙম্মী হায়না চেৎনা থাজরম্মী। অদুম ওইনমক, ওজাশিংগী মরক্তগী লিবরেল আইদিওলোজিদা থাজবা কাঙলূপশিংদুদি লৈঙাক্কা ৱারী-ৱাতায় শাদুনা 'নেগোসিএসন' অমদি রিফোর্মস তৌনবা হোৎনরম্মী। নাকল অমরোমদনা, লেফ্টকী আইদিওলোজিনা লমজিংবা ওজা কাঙলূপশিংনদি রেভল্যুসনগী অহকপা ফিরেপ লৌরম্মী। ৯ সেপ্টেম্বর, ১৯০৫, মোস্কো য়ুনিভর্সিটিদা তম্বা মহৈরোয়শিংনা মোনার্কিগী মায়োক্তা লেপখি অমসুং রিপব্লিকান গভর্ণমেন্ট পাম্মী হায়না লাউবা হৌরকখি। খোঙথাং অসিবু মোস্কো য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিংনা শৌগৎখি, মখোয়গা লৈঙাক্কা মুক্নবা হৌরকখি। ফীভম অসিমক, নাজি অদোল্ফ হিটলরনা পাল্লিঙৈ জর্মনিদা থোকখি। নাজিনা খ্বাইদগী ইহান হান্না তমথীনা নমথবীখিবা অসি য়ুনিভর্সিটিনি হায়না ঙসি মালেম পূম্বনা নীংশিংলি। ঙসি ইন্দিয়াদা রাইট ৱিং গভর্ণমেন্ট লাক্লবা মতুংদা, জে এন য়ু, দি য়ু অমদি জামিয়াদা অকনবা আইদিওলোজিকেল ৱার চত্থরকপগী খূদম ফংলে।

মণিপুরদা একাদেমিক্সকী ফীভম : নীংশিংবা য়াই মণিপুরবু ইন্দিয়ানা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা নল্লৌ লৌখিবগী মায়োক্তা মতম অদুদা লৈরম্বা মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসননা অচৌবা ফিরেপ লৌখি। অমুবা ফিরাল চিংখৎতুনা অমসুং কম্ম্যুনিষ্টকী ৱাখল পরিংদা মরৈপাক ফুরুপকীদমক লেপখি। ১৯৬৫গী চাক্লাম খোঙচৎতা মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা অচৌবা থৌদাং লৌখি অমসুং থৱায়না পোন্থা পীদুনা মরৈপাকপু লোইলম মীয়ানচাশিংনা খূদুম চনশিল্লখিবা লোয়ননা দিপেন্দেন্ট ওইহল্লবা ইকনমিগী মায়োক্তা লেপখি। ২০০১গী মণিপুর ঙমখৈ কনবগী ঈহৌদসু মণিপুরগী মহৈরোয় অমদি ওজা খুন্নাইনা মরৈবাক্কীদমক অচৌবা থৌদাং লৌখি। কুমজা ২০০০ অস্বায় ফাওবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং মহৈরোয়গী ঈহৌ অসি খরা মখৈদি শীংথাবা য়ানা মীয়ামগা চৎমিন্নবা ঙল্লম্মী। হন্দক ইকুই কুইদ্রিঙৈদা থোকখিবা ভি সী পান্দেগী মায়োক্তা হৌখিবা ঈহৌ অদুসু শীংথানিংঙাই ওই। অদুম ওইনমক, ঙসিদি রাইট ৱিং গভর্ণমেন্ট অসিনা ওজাশিংগী মরক্তা অকনবা শীংচেপ থাদুনা খাইবুং তাহল্লে। ওইজবা থিবা, মরৈবাক্কী খন্দবা, মীপান তাংবগী হৈনবী লৈবা পেরাসাইটিক মাইন্দ-সেট চেনবা ওজা কয়া থোক্লক্তুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি য়াঙলেন শরূ য়াওদ্রবা অশিবা ইন্সটিট্যুট অমা ওইরে। অসুম্না চত্থরবদি লৈবাক অসিগী তুংদা লাক্কদবা লৈবাকসিগী লন ওইগদবা মহৈরোয়শিং পুথোকপগী মহুৎতা মরৈবাক্কী খনবা ঙমজ দবা খুন্নাই অমা শেমগৎলক্কনি।

ঙসিদি য়ুনিভর্সিটি অসি শুপ্নতগী য়ু জি সী/ আই সী এস এস আর/ সী এস আই আরগী প্রোজেক্ট শুবা নৎতনা করিসু তৌবা ঙমদবগুম তৌরক্লি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা দিফেন্স ষ্টদি সেন্টর হাংলকপা অমসুং মসিদা মীতোপ ওজা খক্তমক হাপচিল্লকপা অসি মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবনি হায়বা য়াই। হন্দক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ওজা লৌবদা মীতোপ ওজা নিপান (৮) লৌখিবা অসি য়াম্না নুংনাংনিঙাই ওই। ঐখোয়গী ফুরুপ অসিবু মতম শাংনা নমথগে হায়রবদি য়ুনিভর্সিটি/ কোলেজদা মীতোপশিং থাজিল্লক্লিবসিমক্না মপূং ফাবা ঙমহনগনি। হেন্না কিনিংঙাই ওইরিবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মীতোপশিংগী মকোন শারক্লবদি ইরৈচাশিংনা ৱা ফাওবা ঙাঙবা ঙল্লক্লোই। মীতোপনা প্রোফেসর ওইরক্কনি, হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইরক্কনি অমসুং ভাইস চাঞ্চেল্লরসু মখোয়না অদুম্মক ওইরক্কদবা লৈরে। ফীভম অসি মেঘালয়াগী নেহুদা থোক্লিবনি। মসিদগী নাম্থোক্লবা হোৎনবদা ঙসিদি খাসিশিংনা কয়াদা ৱানা হোৎনরি। ৱাথোক অসিমক্লা ঙসিদি ইন্দিজিনস খাসিশিংনা সী এ এগী মায়োক্তা লেপ্পী হায়দুনা হাৎপা ফাওবা য়াওরে। পনবা য়াই, মিজোরাম য়ুনিভর্সিটি অসিসু মপানগী মীওইশিংগী খূৎতা লৈখ্রে, অরুনাচল য়ুনিভর্সিটিসু মপানগী মীওইশিংনা পায়শিনখ্রে। অদুম ওইনমক, মণিপুরদদি ইরমদমগী হায়র এদ্যুকেসন অসি চাংদম্নবা য়ানা ফৈ হায়না লৌবা য়াই। ইরৈচাশিংগী মরক্তা ক্বালিফাই ওইবা কয়াসু লৈরি। অদুবু অতোপ্পা য়ুনিভর্সিটিদা ঐখোয়গী ইরৈচাশিংনা ইরায় লায়না ওজা ওইবা হায়বসি অরায়বদি নত্তে। অদুগা, ঙসিনা ইরমদমদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি অসিদা মপানগী মীওই কয়া চঙশিল্লকপনা ইরৈচাশিংগী ফীভম অসি একাদেমিক্সতা অরুবা ফীভম অমা লাকপা য়াই।

রাইট ৱিং গভর্ণমেন্ট অসিনা রিক্রুটমেন্টদা অকনবা লাল্লোং অমা চত্থরক্লিবা অসি কুপ্না নৈনবা মথৌ তাগনি। মণিপুরগী নেসনেলিটিগী ৱাখল্লোন অসি য়ুনিভর্সিটিদগী লাপথোকহল্লকপনা ইরমদমগী তুংলমচৎতা য়াম মাঙজনিংঙাই ওইরক্কনি। মসি দেম্মক্রেটিক নন-ভাইয়লেন্ট ক্রিটিক অমনা য়াগনি থাজদে। অকনবা মওংদা য়াদে হায়বা খঙহনবা তাই। মপানগী মীওইশিংনা ইরমদম অসিদা চঙশিল্লক্লিবা অসি, মণিপুরগী ইরৈচাশিংনা ঙাক্লৌ পীদ্রবদি ওইথোক্তে। মখোয়বুসু ৱাখল তাহনবা মথৌ তাগনি। মখোয়গী অথেনবা মীৎয়েংনা য়ুনিভর্সিটিশিংদা মপানগী মীওইশিংগী মহুম শাহনবদি লৈবাক্কী তুংলমচৎতা শোক্কদবা লৈবনা, মাঙজবা অসি খঙমিন্নবা চঙগনি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### চান-থক্লবা পোৎলমশিং লেপ্তনা তেংবাংবগী থবক চত্থনরি

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯গী অৱাবা কয়া অসিদা চীংগী লমদগী দেলিগেসন অমা ঙসি এম পি ডা. আর কে রঞ্জনগী য়ুমদা লাক্তুনা চীংদা হৌবা মনা-মশিং কয়া খুদোল তমখ্রে। এম পিগী মায়কৈদগীসু খুদোল কয়া পীখ্রে।

এম পি ডা. আর কে রঞ্জনগী য়ুমদা চীংগী মীওই কয়া লাক্তুনা চীংদা হৌবা মনা-মশিং কয়া খুদোল তম্বা অমদি এম পিগী মায়কৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাংবগা লোয়ননা পুন্না চাকলেন চামিন্নখি। অৱা-নুংঙাই ৱারী কয়াসু শান্নখি। ৱারবা মতমদা অমগা অমগা মতেং পাংনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। নুংশি চান্নলা লৈমিন্নগদবনি। কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়না এম পিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, সোসিও ইকোনোমিক ইম্পৱরমেন্ট ফাইনান্সকী মখাদা থবক তৌরিবা সেল্ফ হেল্ফ গ্রুপশিংনা ঙসি চান-থক্লবা পোৎলম মতেং পাংখ্রে।

মতেং পাংখিবা অদুগী মতাংদা এস ই ই পিগী এম ও ইবেতোম্বীনা ফোঙদোকখিবদা মালেমদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিদা মতেং খরদা ওইরবসু পাংনবা ইন্টিগ্রেটেদ প্রোগ্রাম ফোর সিনিয়র সিটিজন ওল এজ হোম নোংপোক ককচিং, পোইরৈ নৱাকোল অচানবীঙৈ, বি বি পোল মেন্টেল দিভলপমেন্ট হোম মোংশাঙ্গৈ, সিনিয়র সিটিজন হোম কোংবা নোংথোম্বম লৈকায় অমদি চিলদ্রেন হোম তেরা কৈথেলদা চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাংবনি হায়খি।

অমরোমদা, হ্যুমেন রিছোর্স মেনেজমেন্ট ওর্গনাইজেসননা লোকদাউনগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মতম অসিদা অঙম্বা মতেং পাংনিংদুনা ঙসি ঐচ আর এম ওগী চ্যেরমেন অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী হান্নগী উপা অধক্ষ্য রূপচন্দ্র য়াওনা ওল মণিপুর সিনিয়র সিটিজন ৱেলফ্যের এসোসিএসন মোংশাঙ্গৈ, ওল্ড এজ হোম কোংবদা সেনিটাইজর, মাস্ক অমদি চান-থক্লবা মতেং পাংখি হায়রি।

### মীওই অমা ফারে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস):

এস পি থৌবালগী সুপর ভিজন মখাদা এস দি পি ও, ঐচ জোনি, লিলোং পি এসকী ও সী অজিৎকী টিমনা অঞ্জুমানগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা চত্থখিবা দ্রাইভদা মীওই অমা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ১১৪২ অমদি এস পি কেপস্যুল ৭৪গা লোয়ননা ফারে। ফারবা মীওই অদুদি জুলেখা এলিয়স অবেম (২৮), মপুরোইবা এম দি অয়ুব খান কৌই। লিলোং তুরেল অহনবী দাম মখাদগীনি। অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিস টিম অমদি অঞ্জুমানগী মীওইশিংগা লোয়ননা চঙশিন্দুনা মীওই অসিগী য়ুমদগী পোৎলমশিং অসি ফাগৎখিবনি। ফাগৎখিবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ১১৪২, এস পি কেপস্যুল ৭৪ অমদি শেল ওইনা লুপা ৪৩,৭০০ য়াওরি।

### 'লন্নাই বেঙ্কশিং অমদি কৈথেলদা শেল থাদরিবশিংনা শেন্দোই লৌবীখিনু'

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী অৱাবা অসি য়েংলগা নম্বোলগী অকোয়বদা লৈরিবা লন্নাই বেঙ্কশিং অমদি শেল থাদরিবশিংনা শেন্দোই লৌবীখিনু হায়না দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভলন্টরি ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি টি ঐচ লমজিংবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১২ দা দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন নম্বোল অমদি নম্বোল নুপী লূপনা অপূনবগী ওইবা মীফম অমা ফমখি। মীফম অসিনা মালেমদা হৌজিক শনে দারক্লিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অমদি মসিনা মরম ওইরগা মীওইবগী পুন্সিদা অৱাবা চৈথেং পীরিবা কয়া অসি খন্নখি।

অৱা-চৈথেং ফংলিবসি য়েংলগা নম্বোলগী অকোয়বদা লৈরিবা লন্নাই বেঙ্কশিং অমদি কৈথেলদা শেল থাদদুনা পোৎফম ফম্বীশিং, দুকানশিংদগী চয়োলগী নৎত্রগা থাগী শেন্দোই খোল্লিবশিংনা কোভিদ-১৯গী অৱা-চৈথেং মনুং অসি ফাওবদি শেন্দোই লৌবা লেপ্পীয়ু। কৈথেলদা, লৈকায়, খুনশিংদা মরুপ হৌরিবা ইচিল-ইনাওশিংনসু কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা শোকহল্লিবা মতম অসি য়েংলগা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবদি শেন্দোই লৌবীগনু। মরুপনচিংবসু লেপ্পীয়ু।

অমরোমদা, নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং অসি ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। পোৎচৈ ফংদবগী খুদোংচাবা লৌরগা য়োল্লিবা ইচিল-ইনাওশিংনা কা হেন্না মমল ৱাংনা য়োনবগী থবক অসি তৌবীগনু। হীরম অসিদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনসু মীৎয়েং চঙবীয়ু। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হৌজিক মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা অসিদা শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু মখা তারি।

### অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস):

পি দল্লীয়ু দিগী হান্নগী সিনিয়র আর্কিটেক এল মঙ্গিনা লৈখিদবদা পি দল্লীয়ু দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়র অমদি ষ্টাফশিংনা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না পি দল্লীয়ু দি মণিপুরগী চীফ ইঞ্জিনিয়র কে ঐচ তেম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অমনা হায়, হান্নগী সিনিয়র আর্কিটেক এল মঙ্গিনা থা অসিগী ৫দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা থা অসিগী ১৩দা পি দল্লীয়ু দি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা চীফ ইঞ্জিনিয়রগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবা এল মঙ্গিবু ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা অৱাবা ফোংবগী মীফম অদু পাঙথোকখিবনি। পি দল্লীয়ু দি মণিপুরগী চীফ ইঞ্জিনিয়র অমদি ষ্টাফশিংনা লৈখিদ্রবগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়রি।

### য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ক্বারন্টিন সেন্টর, লিলোং হাওরৈবী কোলেজ বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট কুমারজিৎ য়ুম্নামনা য়েংশিনখ্রে। তঙাইফদবা পোৎলম কয়াসু খুৎশিন্নখ্রে। খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি হায়রি।


ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ইবুং সুধাকরবু থাগৎচরি



সুধাকর

ঐগী ওই থংবা কিদনিদা লৈরম্বা নূঙ ৪.২ এম এম চাউবা নূঙ অদু শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নূঙগী লায়েংবা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) না লায়েংবীরবা মতুং অলট্রা সাউন্দ লৌদুনা য়েংলুবদা লৈরমদ্রে। মসিগীদমক্তা ইবুংবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ইবুংগী তুংগী পুন্সিদা ঈশ্বরনা থৌজানবীদুনা মীয়ামগী থৌগল মতম শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু।

**থাগৎচরিবী : পি ঐচ সুরবালা**

নাগামপাল সোরাম লৈরক

HL-P/6729/15

ꯃꯥꯡ/BANK PASS BOOK LOST

I have lost my SBI Paona Bazar Branch Bank Passbook bearing A/c No. 34604661770 on the way between Bazar and Sega Road Takhellambam Leikai on 25/4/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Soram Arunkumar**
Sega Road Takhellambam Leikai,
# 7432025006

HL-P/6731/15

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 191/SDC/IW (P) of 2020**

Kumabam Ibopishak Singh, S/o (L) Mangi Singh of Taobungkhok Awang Leikai ...*Petitioner*

-Vrs-

(Late) Kumabam Jarma Singh S/o (L) Mangi Singh of Tulihal. Deceased Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

14/5/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউ-চেগী খুত্থাংদা খঙহঞ্জরি। ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮০-পাৎশোইগী পাট্টা নং ৮০/১৬৯ (অরিবা), ৪৭ (অনৌবা), দাগ নং ২৪৬৪গী এরিয়া .৯২ একর চাউবা অঙনফৌগী লম অসিগী এরিয়া লোইনমক মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মৃ: পাট্টাদার ময়াম্বগী স্বত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা অইবা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপিনিংবা মৃ: পাট্টাদার ময়াম্বগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৪/৫/২০২০ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপিহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চত্থরগনি।

HL-P/6733/15 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Imphal West, Patsoi

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 190/SDC/IW (P) of 2020**

1) Kumabam Birbal Singh, S/o (L) Dharmoa Singh of Taobungkhok Awang Leikai.
2) Kumabam Premkanta Singh, S/o (L) -do of -do-.
3) Kumabam Aboicha Singh, S/o (L) Pishak Singh of -do-.
4) Kumabam (N) Dayabati Devi, D/o Sheitaban Singh of -do-.
...*Petitioners*

-Vrs-

(Late) Kumabam Ongbi Gambhini Devi, W/o (L) Mangi Singh of Taobungkhok. Deceased Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

14/5/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউ-চেগী খুত্থাংদা খঙহঞ্জরি। ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮০-পাৎশোইগী পাট্টা নং ১৮ (অরিবা), ২৬৭/৫৭৪ (অনৌবা), দাগ নং ২৪৬২গী এরিয়া ১.৯০ একর চাউবা অঙনফৌগী পাট্টাদারিনী অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (৩) অমসুং (৪)দা দাগকী মনুংদা .৬৩৩ একর অমসুং .০৫ একর অদুগা লেমহৌবা ১.২১৭ একরনা দংকারি নং (১) অমসুং (২)দা মৃ: পাট্টাদাররিনী মবোক্কী অমদি মবেনধৌগী স্বত্তদা দখলগী মতুংইন্না মথং শীৎনা নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপিনিংবা মৃ: পাট্টাদারিনীগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৪/৫/২০২০ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপিহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চত্থরগনি।

HL-P/6733/15 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Imphal West, Patsoi

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 203/AS&SO/TBL Dt. 06/04/2020**

1. Khundrakpam Radhe Devi, W/o (L) Bijoy Singh of Khangabok Maisanam Leikai
2. Thokchom Prema Devi, W/o Tomba Singh of Maisanam Leikai
3. Ningthoujam Basanti Devi, W/o Surendrakumar Singh of Khangabok Awang Leikai
4. Khundongbam Sushila Leima, W/o Dilip Meitei of Khangabok Maisanam Leikai
5. Thokchom Tombi Devi, W/o Hemochandra Singh of Khangabok Mayai Leikai ...*Applicants*

-Vs-

(Late) Khundrakpam Dilip Singh (Nabalak) of Khangabok Maisanam Leikai Pakhe Kh. Maimu Singh of Khangabok Maisanam Leikai - Opp

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Date :- 14/5/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুন নং ৩৩ - খাঙবোক পাট্টা নং ২৮৩ (অরিবা) পাট্টা নং ৬৩২ (অনৌবা) দাগ নং ৩৪৯৮/৩৯৬৪, এরিয়া .৩০২৫ হেক্তর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার খুন্দ্রাকপম দিলিপ সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারী মৃ: পাট্টাদারগী মমা অমসুং মচেশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি নত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**

HL-P/6735/15 **Asstt. Survey & Settlement Officer, Thoubal**

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 204/AS&SO/TBL Dt. 16/05/2020**

1. Elangbam Achouba Singh, S/o (L) Manglemjao Singh of Khangabok Laipat Khunou.
2. -do- Gopimohol Singh, S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Rajmani Singh, S/o (L) -do- of -do- ...*Applicants*

-Vs-

(Late) Elangbam Manglemjao Singh, S/o Krishanadhan Singh of Khangabok Laipat Khunou ...Opp

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Date :- 14/5/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুন নং ৩৩ - খাঙবোক পাট্টা নং ৯১/অং (অরিবা) পাট্টা নং ৩২২৩ (অনৌবা) দাগ নং ৩৫৪৫, ৩৫৪৬, এরিয়া +.১৬৫৫ হে: .০২৭৪ হে: = .১৯২৯ হে: চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মৃতু পাট্টাদারগী মচানুপা দংকারী মখোয় অহুমগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি নত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**

HL-P/6735/15 **Asstt. Survey & Settlement Officer, Thoubal**

ꯏꯉ꯭ꯈꯣꯜ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

নম্বোল মাইবম চীংমাং, লাই হরাওবুং মখা মনিং লম্বীগা তাইনবা পোইন্ট ৭৮ চাওবা ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা ফোন নম্বরশিং অসিদা কনটেক্ট তৌবীয়ু।

**Contact No.: 9612437811, 8250586585**

HL-P/6730/15&16

**GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 14th May, 2020**

**No. Prop/SR/IW/2020:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "Madrasah Jamiya Jinatul Quraan Wal Hadislil Banat" on 14-05-2020 for registration under Section 4 (1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Paobitek"

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/ Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/ registration of propose society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **P. Memi Devi**

HL-P/6732/15 Deputy Registrar of Societies, Imphal West

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



**Naorem Ibomcha**

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোন্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোন্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোন্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোন্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-P/6708/05-05to4/06

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref :- Mutation Case No. 240 of 2020**

App:- Wangjam Ningol Leitanthem Ongbi Maipakpi Devi, W/o Chandramani Singh of Khongyam Mamang Leikai

-Vrs-

Opp:- (Late) Wangjam Wangol Devi, W/o (L) Bira Singh of Kshekman.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated, the 11/05/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং 87-Nungoo পাট্টা নং 78, দাগ নং 1095, এরিয়া .62 একর চাউবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীবিরগদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

HL-P/6737/15 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Waikhong**

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 193/AS&SO/TBL Dt. 18/03/2020**

Yumnam (o) Loidang Devi, W/o Lukhoi Singh of Athokpam Sandhabung Leikai ...*Applicant*

-Vs-

(Late) Athokpam Chaoba Singh, S/o (L) Tomba Singh of Athokpam Mayai Leikai ...Opp

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Date :- 14/5/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুন নং ৩২ - অথোকপম পাট্টা নং ৯০(অরিবা) পাট্টা নং ৭৩ (অনৌবা) দাগ নং ১২৬৭, এরিয়া .৬৬৩০ হেক্তর চাউবা ফৌরেল লৌফম অমদি পাট্টা নং ৫৩৯/অং (অরিবা) পাট্টা নং ৬৯৬/১৫০৮ (অনৌবা) দাগ নং ২১৩২ এরিয়া .৩২৩৮ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অনি অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপী য়ুম্নাম ওংবী লোইদাং দেবীগী মমিংদা লৌফম অনি অসিগী নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি নত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**

HL-P/6735/15 **Asstt. Survey & Settlement Officer, Thoubal**

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু থাগৎচরি

Piles কী অৱাবা খাঙদুনা চহী কয়া লৈরকখি। লায়না লায়ওংশিংদি শৌজ মপানদা হকৎচবা, কক থিনবা, খোং হাম্বদা ঈ দ্রোপ- দ্রোপ তাবা, শৌজ মনুংদা পোন্বা, মপান্দসু পেরে থোকপা, চেকখাইরগা থুপ্পা-শাবা, গ্যাষ্ট্রিকনি। অতোপ্পা মাইবশিংগী হিদাক চাজখি, কান্নবা ফংখিদে। মমৈদা ওজা Kabiraj Abdul Hak Contact No. 8794429681, 8014623756 কী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না হিদাক চাজবদগী হকচাং য়াম্না নুংঙাইজরে। Piles মপুং ফানা ফজরে। ওজাবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। Piles problem লৈবশিংনা ওজাগা তানবীয়ু।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

*থাগৎচরিবা :* **P. Joychandra**
Lamlai Awang Leikai

HL-P/6245/15


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।